FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	82.166483
US Dollar	75.705018
British Pound	94.236567
Australian Dollar	48.852742
Chinese Yuan Renminbi	10.719921
Japanese Yen	0.710869
Malaysian Ringgit	17.596256
Singapore Dollar	53.490031
South Korean Won	0.062050
Saudi Arabian Riyal	20.188005
Thai Baht	2.338158
Myanmar Kyat	0.05453
Bangladesh Taka	0.89242

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	45691.00
Mumbai	–	Rs	45724.00
Delhi	–	Rs	45699.00
Kolkata	–	Rs	45948.00

GAS NEWS

ASHANGBI INDANE, SUGNU
Booking Upto: 14/02/2020
Valid From: 01/02/2020
Only Home Delivery
Contact No:8729999753
Timing: 08.00 am-12.00 noon

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking Upto: 17/02/2020
Valid From: 07/02/2020
Home Delivery Contact Nos.
9089709738, 7005204180,
8787566191
Timing: 08.00 am to 11.00 am
Will be deliver to 3 days

HRANGCHAL GAS,
OLD LAMBULANE
Booking Upto: 22/02/2020
Valid From: 20/02/2020
SMS Booking: IOC <SPACE>
03852444677 <SPACE> Consumer No.
Send to 9089024365
Home Delivery only
Booking Only: 03852444677
Enquiry Only: 9436280866
(Call+Whatsapp)
Timing: 08.00 am-12.00 noon

IMPHAL LPG SERVICE
Sl. No.– 17070
5 Kg Available
Booking Upto: 03/03/2020
Valid From: 13/02/2020
Timing: 08.00 onward
Home delivery Only
Contact: 6009392991
Deliever at godwon

KHUMBONG INDANE
Booking Upto: 20/02/2020
Valid From: 19/02/2020
Home Delivery only
Contact Nos.
7005771527/9774679422
Timing: 07.30 am-10.00 am

K & K INDANE SERVICE
Booking Upto: 28/02/2020
Valid From: 19/02/2020
Timing: 07.30 am-11.00 am
For Telephonic Gas Booking Call & Whatsapp
Mobile Nos.
8794267533/8794081549
Timing: 08.00 am-12.00 noon

KHONGNANG
(NINGTHOUKHONG)
Booking Upto: 02/02/2020
Valid From: 28/01/2020
Please Contact: 7085412234
Timing: 07.30 am-10.30 am

LEIBAKLEI GAS, KAKCHING
Booking Upto: 19/01/2020
Valid From: 10/01/2019
Stk: 612
Home Delivery Only
Contact. 9862836403,
8415050488, 9366075820

TANGLEI GAS OINAM
Booking Upto: 17/02/2020
Valid From: 13/02/2020
Stk: 306
Timing: 07.00 am-10.00 am
Home Delivery Contact No.
8729808192

LAMSANG GAS AGENCY
Booking Upto: 02/02/2020
Valid From: 24/01/2020
Home Delivery only
Timing: 08.00 am-12.00 noon
Home Delivery Contact No.
8730087936

MAIBIA GAS MOIRANG
Booking Upto: 12/02/2020
Valid From: 08/02/2020
***Stk**: 306*
Home Delivery Service
Contact Nos.
1.Dilip: 6909152567/ 9612883295
(Moirang A/C)
2.Ajay:7005667570 (Thanga A/C)
3.Rojen:8787381746(Kumbi A/C)
Booking Contact No.
7085972248.
Timing: 8 am – 12 noon.

MANIPUR GAS SERVICE
Booking Upto: 21/02/2020
Valid From: 02/02/2020
Home Delivery Only
Contact Nos.
8730954041/8259969582,
7005728461
Contact Timing: 07.30 am -11.00 am

MANIPUR POLICE GAS SERVICE
Delivery for date 11/02/2020
For Telephonic Booking and Delivery Inquiry
Contact nos.
81310 89612 /9863711166
Timing : 11.00 am to 2.00pm

MISAO GAS SERVICE
Booking Upto: 06/03/2020
Valid From: 19/02/2020
Only Home Delivery
For Delivery Please Contact:
7085738631/8119967523
Call Timing: 8 am – 4 pm

J RONGMEI SK INDANE WANGOI
Booking Upto: 10/02/2020
Valid From: 02/02/2020
Stk: 306
Timing: 06.30 am-09.30 am
Home Delivery
(Blue Card hanna pisinbiyu)

MM GAS SERVICE
Booking Upto : 07/02/20
Valid From: 01/02/2020
HOME DELIVERY ONLY
Timing : 8:00 am - 12:00 noon
FOR THANGMEIBAND AREA PLEASE CONTACT/SMS/ WHATSAPP TO 8131852580 /8257056190.
FOR URIPOK AREA PLEASE CONTACT/SMS/WHATSAPP TO 6009885600/7629852810
FOR OTHERS AREA PLEASE CONTACT/SMS/WHATSAPP TO 9862792731/9612009063

কুমজা ২০০১গী সেন্সসতা বেসিস ওইরগা দিলিমিটৈসন তৌবগী ৱাফম য়ানিংদে, ৱাথোক লাক্কনি : সী পি আই

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস):

কুমজা ২০০১গী সেন্সসতা বেসিস ওইরগা দিলিমিটেসন তৌবগী ৱাফম য়ানিংদে হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাবত ভবনদা পাউমীশিংগা উনবদা এল সোটিনকুমারনা হায়খি, মতম অমদা কম্যুনিষ্ট পার্টিনা লৈঙাক্তা য়াওরিঙৈ মতমদা মতম অদুগী প্রাইম মিনিষ্টর উনদুনা ৱারী শাখি। চীংগী লমদা ভোটর ১০০ দা ২০০ হেনগৎপা, তম্পাক্কী মফম কয়াদনা চাদা ২ খক হেনগৎপগী খেন্নবা ময়াম লৈবসি অরানবা সেন্সসনি। মসিদা দিলিমিটেসন তৌবা তারবদি ৱাথোক লাক্কনি। নৌনা সেন্সস অমা তৌরগা দিলিমিটেসনগী থবক পায়খৎপীয়ু। কুমজা ২০০১গী সেন্সসতা যুম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌবা চৎনবীগনু। এম এল এ ৭কী দিসক্কালিফিকেসনগী ৱাফম পুন্নমক থৌশাদনা মথং-মথং য়েথোক্তুনা লৈবা ঙসিগী লৈঙাকসিনা দিফেক্সনবু য়োকখৎতুনা থম্বনি হায়না পার্টি অসিনা লৌদবা ঙমদে। অথুবা মতমদা দিসক্কালিফিকেসনগী থবক অসি পায়খৎপা তঙাইফদে।

কার্ল মার্ক্সগী পোকপা চহী ২০২ শুবা নুমীৎনি। নুমীৎ অসি মালেম শিনবা থুংনা থৌরম তৌরি। কোভিদ-১৯ অসিদা মপান লমদা লৈরিবা মহৈরোয়শিং, মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিং, থবক তৌরিবা ময়াম, মীওই লিশিং ৪০ রোম অসি মণিপুরদা হল্লক্তবা য়াদবনি। মাইগ্রেন্ট ৱার্কর কয়া অমা মতেং পাংবগী থবক ষ্টেট কয়াদা মায় পাক্লা চথুরি। কেরলা, তামিল নাদু, দিল্লি অমদি ষ্টেট কয়াদসু মতেং পাংলি। গুৱাহাতিদগী মীওই ৮০ হেন্না ইম্ফালদা থোরকখি। খরা অমসু থোরক্কনি হায়বা ৱাফম লাক্লি। মতম শাংনা শেলগী খুদোংথিবা নংলবা মতমদা ইম্ফালদা পুরকপা মতমদা বসকী অতোংমল লুপা লিশিং ৩/৩ লৌই হায়রি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা মীয়ামগীদমক সী এম রিলিফ ফন্দদা মতেং পাংনদুনা লুপা ক্রোর কয়া শোয়দনা লৈরমগনি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা ইম্ফালদা থোরকপদা মরন্নাই শেল পুথোকহনবা হায়বসিগী মহুৎতা সী এম রিলিফ ফন্দদগী মতেং পীবা তঙাইফদে। খরা লাপ্লা ষ্টেটতগী থোরকপা তারগদি শেলগী অচৌবা অৱাবা মায়োক্লগনি। লুপা লিশিং ১০ দগী লুপা লিশিং ৩০ ফাওবগী মনুংদা চঙবগী ৱাফম লাক্লবদি অৱাবা থেংনগনি।

এ সী খুদিংমক্তা ক্কারন্টিন সেন্টর অমমম হাংগনি। লাইচৎ অসি ষ্টেট অসিদা শাফরবসু মালেমগী ওইনা অরেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপনা ঐখোয় চেকশিন্নিংঙাই ওই। মপানদগী থোরক্লিবা ময়ামসি লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা টেষ্টশিং অমদি ক্কারন্টিন সেন্টরদা নুমীৎ ১৪ থমগনি হায়না তাখি। অদুবু টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরে হায়দুনা ময়ুম-ময়ুমদা হোম ক্কারন্টিন তৌহল্লগনি হায়না থাদোকখিবসি খরা হেন্না চেকশিনহন্নিংই। থৌশিল খরা হেন্না চেকশিন্না পায়খৎহন্নিংই। অতৈ ষ্টেটতা ইন্স্যুরেন্স কভর তৌই। ডোক্তরশিং, পেরা মেদিকনচিংবা কয়া ইন্স্যুরেন্স কভর তৌবা তাই। প্রাইম মিনিষ্টরগী পোলিসী প্রোগ্রামগী মতুংইন্না লাউথোক্লিবা লুপা লাখ ৫০ গী শেনফম অসি ফংহন্নিংই। সিক্যুরিটি পর্সনেল, প্রেসকী মীওইশিং, হোকরশিংসু কভর তৌবা চঙই। আশা ৱার্করশিং, দ্রাইভরশিংসু কভর তৌবা চঙই। পি এম জি কে এ ৱাইগী মখাদা লৈবা শেনফম কয়া লাকখ্রে। মসিগী মনুংদা চেঙ পীগনি হায়। হৱাইদি ফংদ্রি, চেঙসু শোয়দনা ফংহনবীয়ু। জনধন একাউন্টদা লুপা ৫০০/৫০০ হাপ্পা অমদি নুমীৎ ১০০ নি থবক শুবগী শেল চাদা ৫০ পীথোকপীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ওজাশিংগী তোলোপ, ত্রান্সপোর্টরশিংগী ফি পীফম থোকই : এইমস, অন্সম, দেসাম

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস):

ওজা, নন-টিচিং ষ্টাফশিংগী অমদি ত্রান্সপোর্টরশিংগী ফি পীফম থোকই হায়না অপূনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলূপ (এইমস) কী প্রসিদেন্ট খুমুজম রোমেন, ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন মণিপুর (অন্সম) গী প্রসিদেন্ট জোসেফ অদানি অমসুং দেম্মক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়ন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী প্রসিদেন্ট নামৈরাকপম ইদিসননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মালেম পুম্বদা মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা স্কুল, কোলেজশিং থোঙ হাংবা য়াদ্রে। থোঙ হাংবা য়াদ্রিঙৈগী মতমসিদা মহৈরোয়শিংগী ইন্টরেষ্টতা স্কুলশিংনা ট্যুসন ফি অমদি ত্রান্সপোর্টরশিংনা ভেনগী ফি লৌদনবা মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরক্লিবা ৱাফম অসি এইমস, অন্সম অমদি দেসামনা শৌগৎলি। অদুবু ওইরক্লিবা ফীভমসিদা প্রাইভেট স্কুলশিংদা ওজা ওইরিবা কয়া অমদি মখোয়গী ফংফম থোকপা থাগী তোলোপ ফংদবনা কোক্তা খুৎ হাপ্পগী ফীভমদা লৈরে। করিগুম্বা মহৈরোয়শিংদগী ট্যুসন ফি লৌদবা তারবদি ওজাশিংগী তোলোপ পীবা ঙম্লোই হায়না স্কুল ওথোরিটিশিংনা হায়গদৌরিব্রা।

অমুক স্কুল ওথোরিটিশিংনা ট্যুসন ফি লৌরবদি ওজাশিং অমদি ষ্টাফশিংগী তোলোপ পীবা ঙম্লোই। পীনবা রিছোর্স লৈতে হায়রক্লগনা ওজাশিংগী তোলোপ পীদবা নৎত্রগা হন্থনা পীবদা য়াগদৌরিব্রা। এইমস, অন্সম অমদি দেসামগী মায়কৈদগী হংনিংবদি প্রাইভেট স্কুলশিংদা ওজা অমদি নন-টিচিং ষ্টাফ ওইনা অপীকপা তোলোপনা ইমুং-মনুং পুরিবশিংগী তোলোপ অমত্তা ৱাৎতনা পীগদবনি হায়বা অসিনি। প্রাইভেট স্কুলশিংদা ওজা অমদি ষ্টাফশিংনা থেংনরিবা অসিদগী হেন্না অমুক ষ্টুদেন্টস ত্রান্সপোর্টর ভেন সর্ভিস তৌরিবা মীওইশিংনসু থেংনরি। অতোপ-অতোপ্পা সেক্তরশিংদা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী খুৎশুমল লোকদাউন মনুংগী য়াওনা পীনবা লৈঙাক্লা হোৎনখিবগুম প্রাইভেট স্কুলশিংদা থবক তৌরিবা মীওইশিংগীসু শাফনবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই। মহৈরোয়শিংদগী মখল অমত্তগী ফি লৌদনা ওজাশিং অমদি ত্রান্সপোর্টরশিংগী অৱাবসি কমদৌনা শাফহনগদগে।

করিগুম্বা মহৈরোয়শিংদগী ফি খরা লৌদবা য়াদবগী ফীভম লাক্লগনা কয়া য়াম্না লৌগনি হায়বা ৱাফম অসি য়াওবা মহৈরোয়শিংগী মমা-মপাশিং, ওজাশিং, ত্রান্সপোর্টরশিং, নন-টিচিং ষ্টাফশিং পুন্না য়াগদবা পোলিসী অমা পুথোক্লবা এইমস, অন্সম অমদি দেসামগী মায়কৈদগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী পূক্নিং চিংশিল্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অশানবা য়ুমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা চেঙ মতেং পাংবগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু তেংবাংখ্রে : অমুকো

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা খুদোংচাদবা ফীভমদা খরদা ওইরবসু কোক্লবা ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)না এপ্রিল ১৭তগী পরিং নাইনা চথুরকখিবা অশানবা য়ুমশিংদা লৈবা মীওইশিংদা চেঙ মতেং পাংবগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু তোঙান তোঙানবা মফম খরদা চেঙ মতেং পীখ্রে হায়না অমুকোগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি পব্লিসিটি মনিকান্ত চোংথামনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লোকল এম এল এ, পুকচেল চাউরবা মীওইশিং, কেন্দিদেট ওইগদবা কয়া অমদি দি সীশিংগী খুথাংদা অশানবা য়ুমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা চেঙ পীরিবা অদুদা ফংহৌদ্রবা, চিথহৌরবা অমদি শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মীওইশিংদা হেন্না মীৎয়েং থল্লগা অশানবা য়ুমশিংদা অমুকোগী টিমনা হকথেংননা চৎতুনা চেঙ মতেং পাংবনি। ঙসি অমুকোনা অশানবা য়ুমদা লৈবশিং, সঙাইপ্রৌ মমাঙ লৈকায়দা মীওই ৬, কাঞ্চিপুরগী এম য়ু মেন গেট মমাঙদা লৈবা মীওই ৩২, কোংবা ধোবী লম্পাক্তা লৈবা মীওই ১৫ পুন্না মীওই ৫৩ দা মতেং পাংখি। মখোয়না লৈরিবা অশানবা য়ুমশিং অদুদা চৎতুনা চেঙ মতেং পীখি। হৌজিক ফাওবদা অমুকোনা চেঙগী মতেং পাংখিবা পুন্না মীওই ১১,৪৬৭ শুখ্রে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, ইন্দিজেন্নস বর্দস প্রোমটর (আই বি পি), ককচিংনা মীৎ উবগী পাঙ্গল লৈত্রবী অমা অমসুং মখোঙ শোক্তুনা থবক শুবা ঙমদ্রবা মীওই অমদা চেঙ, হৱাই, থুম, অচাথাউ অমদি শেলগী তেংবাং পোৎলম খুৎশিন্নখ্রে। ককচিং দিষ্ট্রিক্তা য়ুম অমদা শৈদাংফম লৌদুনা লৈরিবা মখোয় অনীগীনি হায়বদা কনা লৈজদ্রবা মপা-মচাদা তেংবাং পীখিবা অদুদা আই বি পি ককচিংগী সেক্রেটরি নাওরেম প্রেমজিৎনা হায়খি, ইপা-ইপু হাক্তক্তগী লৈরক্লবা য়ুম-য়ুমদা য়োক্তুনা লৈরিবা উচেক অমসুং শাশিং নুংশিনা লোয়নবগা লোয়ননা য়োকখৎতুনা থম্লবগী পান্দমদা আই বি পি লিংখৎখিবনি। মেম্বরশিংনা অরৈ-অরৈবা শেল খায়নদুনা অৱা-অনা তারবা কয়াবু তেংবাংদুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি তেংবাং পীবনি। মমাঙদসু তেংবাং কয়া পীখ্রে। মখা তানা তেংবাং পীবগী থবক চথখিগনি হায়রি।

মরকসিদা, মণিপুর ষ্টেট মাইনোরিটি কম্মিসনগী চ্যেরপর্সন অনৱার হুসেননা লিলোং এ সীদা হেন্দ সেনিটাইজর, মাস্ক অমদি এন্সাং-নাপী য়েন্থোকখ্রে। লিলোংগী মফম খুদিংমক্তসু পোৎ য়েন্থোকপগী থৌরম চথখিগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা বি জে পি মন্দলগী প্রসিদেন্ট অহম্মদ আলি, ষ্টেট মাইনোরিটি মোর্চা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট হাজি সলাম খানসু শরুক য়াখি। বি জে পি লিলোং মন্দলগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংসু য়াওখি। চ্যের পর্সননা কোভিদ-১৯ থেংননবা হোৎনবদা মীয়াম্না থৌদাং লৌবা তঙাইফদে হায়বা ৱাফম থমখি। থৌনা ফনা লিংজেল অমত্তদা চৎতুনা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা চৎন-কাঙলোন কয়া অসি ঙাক্লা চৎসি। সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাকসি হায়নসু মখা তারি।

মিঠা মনা নোংমগী পুশিল্লকপগী ফীভম লাকপসি লমদমসিগী ওইনা য়াম্না নুংনাংনিংঙাই ওইবা থৌওংনি : এম এস এফ

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস):

জর্দা মনা নৎত্রগা মিঠা মনা হায়না খঙনবা মনা অসিবু নোংমগী পুশিল্লকপগী ফীভম অমা লাকপসি লমদমসিগী ওইনা নুংনাংনিংঙাই ওইবা থৌওং অমনি হায়না মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) কী জেনরেল সেক্রেটরি হিজম রোসননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মালেমগী ওইনা অকিবা ফংনা কোভিদ-১৯ লায়না অসি লান্থেংনরিঙৈ চৈরক অসিদা নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া মপুং ফানা নৎত্রগা মরাং কায়না ফংদ্রিঙৈ তাঞ্জা অসিদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইরবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং পুশিল্লক্লি। জর্দা মখল কয়াগা লোয়ননা চানবা ক্কা মনা, মিঠা মনা হায়না খঙনরিবা অসি পুশিল্লকপগী ফীভম লাক্লিবসি নুংনাংনিংঙাই ওইবা থৌওংনি।

সেল্ফ সফিসেন্ট ওইনা হিংজবা ঙম্বা খুন্নাই অমা ওইনবা লৈঙাক অমগী তোঙান তোঙানবা সী এস ও, ষ্টেক হোল্ডরনচিংবনা কন্না হোৎনরবসু পোৎচৈ থানবা লৌফম মরাং কায়শিল্লক্তবা, হান্নদগী লৈজরম্বা লৌফম কয়া দিভলপমেন্ট ৱার্ককী মিংদা শেঞ্জাও পায়বা কয়ানা বিল্ডিং অমসুং লম্নাই য়ুম য়াওনা মখল কয়া শাজিল্লকপা ওইরি। চহীগী ফৌথোক পোথোক হন্থরকপনা চাথোক্তা মীপাল তাংলকপা, মীরমদগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং চেঙ, হৱাই, থাউ পুশিল্লক্তুবদি য়াদবগী ফীভমদা লৈরক্লি। ঙাগী পোথোক মরুওইনা ঙারি য়াওদনা হিংবদা ৱানরিবা লমদম অমনি। মতম অমদা ঙারি নম্নবা ঙা লমদম অসিদা মরাং কায়না ফংলবসু ঙসিদি ঙারি নম্নবা ঙা মীরমদগী পুশিল্লক্তুবদি য়ারক্তে। নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং অসিগী দিমান্দ হান্নদগী লৈরক্লবসু মালেম পুম্বনা কিনরিবা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা চথুরিবা লোকদাউননা অমুক্কা হেন্না অৱাবা ফীভমদা লৈহল্লে। নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং অসিগী মমল ৱাংলবসু অঙন্বা পান্থৈ শীজিন্নদুনা লৈনরি।

চহীসিগী এপ্রিল ৪ দা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা প্লেন অনী ৱাইদুনা লুপা ক্রোর ১ রোমগী শেনফম ওইগদবা ক্কা মনা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু চলাইরিঙৈ চৈরক্তা পুরকপগী থৌদোক লৈখ্রে। ক্কা মনাশিং লোন্না পুরকপগী থৌদোক কয়া এম এস এফ অমদি সী এস ও লোয়ননা লোকল ক্লবশিংনা ফাগৎখিবা অসিনা তাকপদি হকচাং শোক্লিংঙাই ওইরবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিংগা চাগদবা মিঠা মনা অসি অসুক্কী মতিক দিমান্দ লৈরে হায়বনি। বেকৱার্দ ওইরিবা লমদম অমদি মরোমদোম লেপচবদা ৱারবা খুন্নাই অসিদা ঙসিনা মরু ফংনা অমুক মুথৎনবা হোৎনরিবা অসিদগী ঐখোয় কমদৌনা কনগনি হায়বগী অচেৎপা পোলিসী চপ চানা শেম্বা মথৌ তারে। ক্কা মনা পুশিল্লকপদা লোনা অথিংবা লৈত্রবসু হিদাক মনাগী পোৎলমশিং মণিপুরদা অথিংবা লৈনা লৈনা পুন্না শীজিন্নগদবা মিঠা ক্কা মনাশিং পুশিল্লকপা হায়বসি হিদাক মনাগী পোৎলম শীজিন্নবদা ইনোৎ হাপ্পনি হায়না এম এস এফনা লৌই। মালেমগী ওইনা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শীজিন্নদবা নুমীৎ ৱর্ল্ড নো টোবেকো দে মে ৩০ অসি চহী লিশাং শিংনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শীজিন্নদনবা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা স্কুল, কোলেজশিংদা এৱ্যের্নেস কেম্পেন চথুদুনা লাক্লি। রেল্লি কয়াসু শীন্দুনা লমদমসি হিদাক মনাগী পোৎলমশিংদগী লাপ্না লৈবা লমদম ওইনবা হোৎনদুনা লাক্লি। কেম্পেন অসি মপুং ফাহন্নবা হিদাক মনাগী পোৎলমগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং মরু ফংনা মুথৎনবা খোঙথাং কয়া লৌখৎনবা হোৎনরি।

চহীসিগী এপ্রিল ৪ দা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা ক্কা মনা মীয়াম খঙনা মাঙহনবীয়ু হায়না এম এস এফনা সী এমদা মেমোরেন্দম পীশিনখি। মে ৪দা গুৱাহাতিদগী ত্রকতা আলু অমদি তিলহৌ মরক্তা লোন্না রিসিটি য়াওদনা পুশিল্লকপা (মিঠা) ক্কা মনা পোল্লাং ৪৪ সেকমাই পুলিসনা ফাগৎখিবা অদু মীয়াম খঙনা মাঙহন্নবা সী এমদা মেমোরেন্দম পীশিনখি। লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী খল্লগা মতিক চাবা থবক লৌখৎলক্কনি। মীয়াম্না মতম চুপ্পদা এম এস এফবু থাজবা থমদুনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংলক্কনি হায়বগী থাজবা থম্মী হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমজুদা হেন্দলুমগী মাস্ক মতেং পাংখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ লান্থেংং মরক্তা মীয়ামদা ঈ-পাউ য়ৌহনবদা থৌদাং লৌরিবা পাউমীশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম ৱিভর এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট আর্টিসান কোওপরেটিভ সোসাইটিনা ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)দা হেন্দলুমগী মাস্ক মতেং পাংখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা মাস্ক খুৎশিন্নখিবা অদুদা সোসাইটি অদুগী চ্যেরমেন কে ইন্দিরানা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ লাইচৎ থেংনবদা ফ্রন্ট লাইন ৱার্কর ওইনা থৌদাং লৌরিবা মীদিয়াগী মীওইশিংদা অহানবা ওইনা সোসাইটি অসিগী আর্টিসানশিংনা শাবা মাস্ক মতেং পাংবনি। এ সী ৬০দা এম এল এশিংগী মখাদা হাংলিবা রিলিফ কম্মিটিশিংদসু মাস্কশিং মতেং পাংনবগী পান্দম থল্লি। লোকদাউননা মরম ওইরগা রো মেটৈরিএলগী অৱাৎপা মায়োক্লরি। এন ঐচ দি সীদা ইন্দেন্ট তৌখিবা লৈরে। রো মেটৈরিএলশিং য়ৌরক্ত্রি। দিলরশিংদা লৈরিবা লংগী ষ্টোকশিং অসি ফংলগদি ষ্টেট অসিগী ওইনা মাস্ক ৱাৎতনা পুথোকপা ঙমগনি। হীরমসিদা সী এম অমদি ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীয়ু। হৌজিক্কী ওইনা লিশিং ৩০ রোম ষ্টোক্তা লৈরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমজুগী প্রসিদেন্ট ককচিংতাবম বিজয়না ফোঙদোকখিবদা, পাউমীশিংনা লৌরিবা থৌদাং শকখঙবা অসি থাগৎপা ফোঙদোকই। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মরক অসিদা পাউমীশিংনা ঈ-পাউ লৌবদা চেকশিন্দবা য়াদে। চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদা মাস্ক য়াম্না তঙাইফদে। লাইচৎ অসি হৌরকপা মতমদা পাউমী অমদি হোকরশিংনা মাস্ক অমসুং সেনিটাইজর ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লখি। মতম খরা হোকরনসু পাউচে পুখিদে। লাইচৎ অসি থেংনবদা পাউমীশিংনা মাস্ক শীজিন্নদুনা মীয়ামগীদমক তৌবা য়াবা থৌদাং লৌজগে। চিরবা তাঞ্জা অসিদা মাস্ক মতেং পাংলকপগীদমক অমজুগী মায়কৈদগী থাগৎলি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯ ঙাকথোক্লবা থবক তৌরিবা রিলিফ সেন্টর ফোর ৱেলফ্যের ওফ দিফরেন্টলি এবল্ড পার্সন, ওল ত্রাইবেল দিসএবল্ড য়ুনিয়ন অমদি তাকয়েল খোংবালদা লৈবা নুপী খক্তগী ওইবা হোপ হোমদা মাস্কসু সোসাইটি অসিনা খুৎশিন্নখি। অমজুদা খুৎশিন্নরম্বা মাস্কশিং অদু য়ুনিয়ন অসিনা মীদিয়া হাউসশিংদা য়েন্থোকখি হায়রি।

‘অঙাংশিংদা অচৌবা চৈথেং ওইরি’

ইম্ফাল, মে ০৫ (ঐচএনএস):

ওনলাইন টিচিং প্রোগ্রাম খরা তৌরবসু স্মার্ট ফোন লৈতবা অঙাংশিংদদি অচৌবা চৈথেং অমা ওইরি হায়না দেম্মক্রেটিক য়ুথ ফেদরেসনগী সেক্রেটরি ময়েংবম গোবিননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, দল্লিয়ু ঐচ ওগী চৎন-কাঙলোন মতুংইন্না মাগী মাগী লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯ মায়োক্লনবা শেম-শানরি। ইন্দিয়াদসু কোভিদ-১৯ থেংননবা লোকদাউন অমদি কর্ফিয়ু থল্লি। মহৈ লোয়শঙশিং থিংজিনবা থা ২ রোম ফাজিল্লক্লে। স্কুলশিং থিংবদা নত্তনা প্রাইভেট কোচিং সেন্টর পুম্নমক থিংজিনখ্রে। করম্বা মতমদা লোকদাউন লোইগনি হায়না খন্নরি। মহৈরোয়শিং মহৈ তম্বা ফংলক্তবা থা ২ রোম ফাজিল্লক্লে। মহৈ লোয়শঙশিং করম্বা মতমদা হাংগদগে খঙবা ঙমদ্রি। ওনলাইন টিচিং প্রোগ্রাম খরা তৌরিবা অসিসু মোবাইল স্মার্ট ফোন নৎত্রগা ওপরেটিং স্কিল লৈতবা অঙাংশিংদি অচৌবা চৈথেং ওইরি। লাইরিক-লাইশু হৈবা মমা-মপাগী মশিং ৱাৎপা অমদি মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংগী অঙাংশিংদদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মসিদা খরদা ওইরবসু কোক্লবা হোৎনবা চঙই। ওদিও ভিজ্যুএল মীদিয়া হাউসশিংনা অতোপ্পা প্রোগ্রামশিংদগী ককথরগা টিচিং লর্নিং প্রোগ্রামশিংগা মরী লৈনবা প্রোগ্রাম কয়া শন্দোকপীয়ু। টিচিং লর্নিংগা মরী লৈনবা কয়া ইবীয়ু। হৌজিক মহৈরোয়শিং মহৈ লোয়শঙশিং থোঙ লোনখিবদগী মহৈ-মশিন তম্বা চৎপা ফংদনা লৈরি। মহৈরোয়শিংদা মহৈ-মশিনগা মরী লৈনবা খুদোংচাবশিং ফংহনবা চঙই হায়নসু মখা তারি।

হৈনৌ মখল কয়া মরাং কায়না হৌবা থেংনরে : সেবক সমাজ

ইম্ফাল, মে ০৫: মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মফম কয়াদা কোয়না চৎতুনা য়েংবদা হৈনৌ মখল কয়া মরাং কায়না হৌবা থেংনরে হায়না ভারত সেবক সমাজ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী থৌ পুবা এক্স-মিনিষ্টর ঐচ কাংজাম্বনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মীয়াম পুম্নমক্না মণিপুরদা হৈনৌ মরাং কায়না হৌবা অমদি মরাং কায়নসু পাল্লি হায়বসি খঙমিন্নবা চঙই। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মুন্দা দিষ্ট্রিক্তা হৌবা য়াম্না ৱাংদবা মশা-মরেং ফনবা লোয়ননা চাবদা য়াম্না থুম্বা হৈনৌ মখল কয়া পুরক্তুনা থাখি। কুমজা ১৯৮২ অদুৱাইদা হায়রিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী হৈনৌ মখল অসি পুরক্তুনা মফম কয়াদা লেম্না য়েন্থোকপগা লোয়ননা থাহনখি। চরাশিং অদু চফুন্দা থারগা পুরকখিবনি। চাবদসু থুম্বা, তীনসু কয়া চঙদবা মখলগী হৈনৌ চারা অসি টাটা গাড়ীদা পুরকপনি। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তা লৈবা লৈঙাক্কী হোর্টিকলচর ফার্মদা চাংয়েং ওইনা মরাং কায়না থাদুনা য়েংখি। হৈনৌ মখল অসি থুনা চাউই। চহী ৫গী মনুংদা পানবা হৌই। চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তা হায়রিবা হৈনৌ পাম্বী অসি মরাং কায়না হৌই। মণিপুরগী তম্পাক্কী লমদসু মরাং কায়না হৌরে। চারা শেম্বগা লোয়ননা মফম চাবা কয়াদা থাখি। মসিগুম্বা হৈনৌ পাম্বী অসি কংলা পার্ককী খা থংবা মপালদা হৌরিবা হৈনৌ পাম্বী অসিনি।

জপানগী লম্বী নাক-য়েৎতা কমলা মরাং কায়না থাই। অয়ুক অঙনবদা অঙাংশিংনা অমুনবা কমলা হেক্তুনা চাই। য়ুমদসু পুনরকই। জুন থাদদি জপানগী অঙাংশিংনা হেক্তে। হৈনৌ মতমদা হৈনৌ চাবা ফৈ হায়নৈ হায়রি।

লোকদাউন কোমথোকপগী মওং মতৌ...

লামায় ১গী মখা... মীৎয়েং মখাদা শগোলবন্দ কন্সটিট্যুয়েন্সী প্রোগ্রেসিভ কম্মিতিনা শীন্দুনা গুৱাহাটিদা পুন্দুনা লৈরবা শগোলবন্দ এ সীদগী মীওই ৪২ লৌথোক্লনবা বস অনী ঙসি লমথাখ্রে। বস অনী অদু হোম দিপার্টমেন্টনা অয়াবা পীরবা মতুংদা গুৱাহাটিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবনি। গুৱাহাটিদগী মীওই ৪২ অসি ইম্ফালদা য়ৌরক্লবা মতুং লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা পন্দুনা লৈরিবা মীওইশিংসু মণিপুরদা হল্লকহন্ননবা থৌরাং পায়খৎকনি হায়রি।

চৈরকসিদা, নুমিদাংগী মতমদা লোকদাউন অমসুং কার্ফিয়ু থুগাইবশিং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা দিটেন তৌদুনা থমখি।

জে এন কেগী ফোটোজর্নেলিষ্ট...

*লামায় ১গী মখা...*ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা রাহুলনা হায়খি, জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী ফোটো নম্লগা মালেমগী মীয়ামদা খঙহনখিবা পাউমী অহুমদা লেমজনিংঙাই ওইরবা এৱার্দ অসি পীরগনি হায়না লাউথোরকপসি চাওথোকচনিংঙাইনি।

অমরোমদা ওমার অব্দুলানা হায়খি, শাংলবা চহী কয়া মরুম মনিং তম্না মথৌ পাঙথোকপা ঙম্লক্তুবা কাশ্মিরগী পাউমী অহুম্না লেমজনিংঙাই ওইরবা পুলিটজর প্রাইজ ফংলগনি হায়রিবসি ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী চাওথোকচনিংঙাইনি।

মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিং ময়ুমদা হলহন্নবগী...

*লামায় ১গী মখা...*এম এল এ, কে রঞ্জিৎকী ৭৬২৮০৫৪৬১৫, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা এম এল এ মেঘচন্দ্রগী নম্বর ৯৮৬২৫৮৮২৩১, সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা এম এল এ, দি দি থাইসিগী নম্বর ৯৪৩৬০৩৫৪৯৭, তেংনৌপলগী ওইনা এম এল এ, দি কোরুংথাংগী ৮৪১৪০১৭৩৭৬, তমেংলোং অমদি নোনেগী ওইনা থুইজিঙমগী নম্বর ৮৯৭৪৮২৪৬৩৬, কাংপোকপীগী ওইনা এম এল এ য়ামথোং হাওকিপগী নম্বর ৯৪৩৬৮৯২০২২, চুড়াচান্দপুর অমদি ফেরজোলগী ওইনা এম এল এ, ডা. চালতোলিয়ন অমোগী নম্বর ৯৩৬৬০৫৯৫৭৪ অমদি উখ্রুল অমসুং কামজোংগী ওইনা এম এল এ অলফ্রেদ অর্থরগী নম্বর ৯৬১২০০১৭৩৫ নি। নম্বরশিং অসিদা কন্টেক্ট তৌবা য়াগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা হান্নগী দেপ্যুটি সী এম গাইখাঙম অমদি এম এল এ কয়াসু শরুক য়াখি।

ইজরেলগী সাইন্টিষ্টশিংনা...

লামায় ১গী মখা... সিভিলিয়ন ওর্গনাইজেসন অমা ওইনা মথৌ তৌহনখিবনি।

পি এম ওগী মীৎয়েংখাদা লৈবা রিছার্স ইন্সটিট্যুট অসিনা ফেব্রুৱারী ১দগী হৌনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন অমা পুথোক্লবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখিবনি।

মালেমগী অতৈ অতোপ্পা মফম কয়াদসু কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন পুথোক্লবা থৌরাং কয়া লৌখৎনরক্লি। ভেক্সিন খরদি মীওইবদা চাংয়েং তৌবগী থাক ফাওবা হৌখ্রে। মমাঙ চহী দিসেম্বর লোইশিল্লকপদা চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী শন্দারকখিবনি হায়না থাজনরিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মালেমদা মীওই লাখ ২.৫ হেন্না শিহনখ্রবনি।

তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা পন্দুনা...

লামায় ১গী মখা... গ্লোবমাষ্টর অমদি লোকহিদ মার্টিন সী-১৩০ জে সুপর হর্ক্যুলিস য়াওনা এয়রক্রাফ ৩০ থৌরাং তৌরে। মে ৭তগী হৌনা তোঙান-তোঙানবা এয়রক্রাফশিং শীজিন্নদুনা মপান লৈবাক্তা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ন পুম্নমক হোঞ্জিল্লক্লবা থৌরাং লৌখৎলে হায়রি।

হিরম অসিগী মতাংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা হায়খি মদুদি, পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ন পুম্নমক স্ক্রিনিং তৌরবা মতুংদা লায়ওং উখোরক্তবা মীওই খক্তমক পুশিল্লক্কনি। ইন্দিয়াদা হেক থুংলবগা নুমিৎ ১৪নি ক্কারন্টিন তৌদুনা থল্লবা মতুংদা অমুক হন্না টেষ্ট তৌগদৌরি।

দুবাইদা লৈবা কোন্সুলেট জেনরেল ওফ ইন্দিয়াগী রিপোর্ট মতুং ইন্না য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটস (য়ু এ ই)তা পন্দুনা লৈবা ইন্দিয়ন লাখ ২ রোম্না ইন্দিয়াদা হল্লক্লবগী এপ্লিকেসন পীশিল্লক্লে হায়রি।

য়ু এ ই, কটার, সাউদি অরাবিয়া, বাহারেন, কুৱেট, ওমান, মলেসিয়া, য়ুনাইটেদ কিংদম, সিঙ্গাপোর, বংলাদেশ, ফিলিপিন্স অমদি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়ন লিশিং ১৫ রোম তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট ৬৪দা হোঞ্জিল্লক্লগনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যের্সনা ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা ইন্দিয়াদা শিহনখিবা মীশিং ১৩,১৭২ শুরে। লায়না অসিগী অপুনবা কেস মশিং ৪৯,৩৮৫ য়ৌরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ১,৬৪১ নি।

মালেমগী ওইনা শিখিবা মীশিং ২,৫৫,১৭৪ য়ৌরে, অপুনবা কেস মশিং ৩৬,৮৮,১০৩ শুরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ১২,২০,৬৬৪ নি।

থাসিগী ১৭ ফাওবা সস্পেন্দ তৌখিগনি...

লামায় ১গী মখা... নোটিফিকেসন অসি কোর্ট অসিগী জজ অহুমগী কম্মিতিনা এদভোকেট জেনরেল, বার কাউন্সিল ওফ মণিপুর, হায়কোর্ট বার এসোসিএসন ওফ মণিপুর, ওল মণিপুর বার এসোসিএসন (অম্বা), গভর্ণমেন্ট এদভোকেটশিং, সিনিয়র এদভোকেটশিং, বারগী মেম্বরশিং, জুদিসল ওফিসারশিং অমসুং ষ্টেক হোল্ডরশিংগা তান্নরগা ঙরাং তৌখিবা রেক্কমেন্দেসনদা চীফ জষ্টিসনা অয়াবা পীরকপদগী থোকপনি হায়রি।

নোটিফিকেসন অসিগী মতুং-ইন্না থাসিগী ১৭ ফাউবদা হায়কোর্ট ওফ মণিপুর, দিষ্ট্রিক্ট কোর্টস/ত্রাইব্যুনেলশিংগী রিগ্যুলর সিটিংশিং সস্পেন্দ তৌরগসু হান্না থোকখিবা নোটিফিকেসন নম্বর ৫৫না খঙহনখিবগী মতুং ইন্না কোর্টশিং অসিদা অর্জেন্ট মেটরশিংগীদি ভিদিও কনফরেন্সিংদা অদুম্মক পাংথোকখিগনি হায়রি।

লোয়ননা ফ্রেস মেটরশিংগীদমক ফাইলিং কাউন্টরশিং ৱার্কিং দেশিংদা অয়ুক পুং ১০.৩০ দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা হাংগনি। অদুম ওইনমক অতোপ্পা মেটর/এপ্লিকেসন/দোক্যুমেন্টশিংগীদি কোর্টতগী পর্মিসন লৌগদবনি হায়রি।

কোর্টশিংদা রিগ্যুলর সিটিংশিং সস্পেন্দ তৌরবসু মোসন মেটরশিংদি হায়কোর্ট, দিষ্ট্রিক্ট কোর্ট অমসুং ত্রাইব্যুনেলশিংদা লিষ্ট তৌগদবনি। অদুবু কোর্ট রুমশিংদা ওভরক্রাউদিং থোকহন্দনবগীদমক অকনবা মওংদা সোসল দিষ্টেন্সিংগী থবক লৌখৎকদবনি। মথৌ তারক্লবদি হায়কোর্টকী কেসশিং জজশিংদা চপ-মান্ননা য়েন্থোক্কদবনি। দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিং/ত্রাইব্যুনেলশিংদসু মসিগা চপ মান্নবা থৌওংশিং কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোল ঙাক্লা চথগদবনি হায়রি। অর্জেন্ট পেন্দিং কেসশিংগীনা অফংবা সিনিয়র মোষ্ট জজ/প্রেসাইদিং ওফিসরশিংগী পর্মিসনগা লোয়ননা লৌখৎকদবনি হায়রি।

মতম পুম্নমক্তা এদভোকেটশিংনা কোর্ট কমপ্লেক্সশিংদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎকদবনি। মশাগী কেস লৈবা কাউন্সেলশিং খক্তমক কোর্ট রুমদা চংগদবনি। অতোপ্পশিংদি মখোয়গী কেস লৌখৎলকপা ঙাইদুনা মপান্দা লৈগদবনি। কোর্টকী অয়াবা য়াওদনা লিটিগেন্টশিং অমদি অতৈ ওফিসলশিং কোর্টতা চংবা য়ারোই হায়রি।

নোটিফিকেসন অসিনা মখা তানা হায়বদা দিষ্ট্রিক্ট জজ অমসুং প্রেসাইদিং ওফিসরশিংনা মখোয়গী কোর্টকী থবক থৌরমশিং মতৌ করম্না চথগদগে হায়বগী মতাংদা বার অমদি ষ্টেক হোল্ডরশিংগা লেপথোকমিন্নগদবনি। মণিপুরগী কোর্ট কমপ্লেক্স পুম্নমক্তা তঙাইফদনা মাস্কশিং শীজিন্নগদবনি। ফিজিকেল এটেন্দেন্সকী মথৌ তাবা মণিপুর জুদিসল একাদেমিগী নোর্মেল ট্রেনিং প্রোগ্রামশিংসু থাসিগী ১৭ ফাওবা সস্পেন্দ তৌগদবনি।

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিনা মহৌশাগী লিগেল এইদ প্রোগ্রামশিং সোসল দিষ্টেন্সিংগী অমসুং কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোল ঙাক্লা পায়খৎকদবনি।

কোর্টশিংনা থাসিগী ১৭ ফাওবদা লেপখিবা মেটর পুম্নমক পুল্লপ এদজোর্ন তৌগদবনি। অদুগা মেটরশিং অদুগী মথংগী নুমিৎ অমসুং মরী লৈনবা ইনফোর্মেসনশিং নোটিস বোর্দতা থেৎপগা লোয়ননা ৱেবসাইটতা অপলোদ তৌগদবনি হায়রি।

হায়কোর্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিংনা পীখিবা ইন্টরিম ওর্দরশিং মথংগী নুমিৎশিং ফাউবদা হিয়রিংগীদমক শাংদোকহনগদবনি। মসিগা চপ মান্নবা থৌওংশিং দিষ্ট্রিক্টশিংগী জুবেনাইল জষ্টিস বোর্দশিংনসু পাঙথোক্কদবনি।

লোয়ননা হায়কোর্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিং/ত্রাইব্যুনেলশিংগী ষ্টাফ এটেন্দেন্সকী চাং পব্লিক ট্রান্সপোর্টকী থবকশিং হৌরক্ত্রিবনা চাদা ৫০ ওইগদবনি। অদুম ওইনমক কোর্ট পুম্নমক্কী সুপরিন্টেন্দেন্টশিংদগী হৌরগা ওফিসরশিংদি চাং-নাইনা কারক্কদবনি হায়রি।